# য়ুএসকী লোমেকরশিংনা পাকিস্তানগী মায়োক্তা শেল থুমগী অথিংবশিং থম্নবা তকশিনখ্রে



ইস্লামাবাদ, মার্চ ১১ (এজেন্সী):

য়ুএসকী লো মেকর অমনা পাকিস্থানবু টেরোরিজম শৌগৎপা লৈবাক অমনি হায়না লাউথোক্লবা তকশিনখিবগা লোয়নন্না অতোপ্পা লো মেকর অনীনসু এম্বেসেদর মাসুদ খানগা কাশ্মীরি অমদি পাকিস্তানি গ্রুপশিংগা লৈনবা মরীগী মতাংদা থিজিন্নবা তকশিনখ্রে হায়না দোনগী রিপোর্ট অমনা হায়রি।

মুভ অসিবু হৌদোকখিবা রিপব্লিকান কংগ্রেসমেন অমা ওইরিবা স্কোটপেরি পেন্সিলবানিয়াদগী কারকপনি। মহাক্না মুভ তৌখিবা বিল অদুগী পান্দমদি ইস্লামিক রিপব্লিক ওফ পাকিস্থানবু টেরোরিজম শৌগৎপা লৈবাক অমনি হায়না লাউথোকপগা লোয়নন্না অতৈ হিরম খরগসু মরী লৈনৈ।

বিল অসি য়ুএস হাউস কম্মিটি ওন ফোরেন এফিয়ার্সতা রিফর তৌখ্রে। পাকিস্থানগী মায়োক্তা থম্ন বা প্রপোজ তৌরিবা সেঙ্কসনশিং অদুগী মনুংদা ফোরেন এসিস্টেন্স টতা রেষ্ট্রিক্সন লৈহনবা, লৈবাক অসিদা দিফেন্সকী পোৎলমশিং থাদোকপা অমসুং য়োনবা থিংবা, মরম অনী থোক্লবা শীজিন্নবা য়াবা আইটেমশিংগী এক্সপোর্ট কন্ট্রোল তৌবা অমসুং মখল মখা কয়াগী শেল থুম অমদি অতৈ রেষ্ট্রিক্সনশিং অতৈ লো মেক্করশিংনা টেরোরিজম শৌগৎলি হায়না লাউথোকখ্রবা লৈবাক অমগা লল্লোন ইতিক তৌনবা লৈবাকশিং অমদি মীওইশিং চৈরাক ফঙহন্নবা তকশিনখি।

হৌজিক ফাওবদা য়ুএসনা লৈবাক মরিদমক টেরোরিজম শৌগৎলি হায়না লাউথোক্লি। লৈবাকশিং অদুদি ক্যুবা, নোর্থ কোরিয়া, ইরান অমসুং সিরিয়ানি। মার্চ ৯ দা লো মেক্কর অহুম-স্কোট পেরি, গ্রেবরি, ষ্ট্যুগ্রে অমসুং মেরি ই মিল্লরনা য়ুএস এর্টোনি জেনরেল মেরিক গার্লেনদা থাখিবা লেট্টর অমদা এম্বেসেদর খানগা পাকিস্তানি রেজিমগা মরী লৈনবা দোমেষ্টিক এক্টরশিংগা নকশিন্নবা মরী লৈনৈ হায়না ক্লেম তৌখি।

য়ুএসতা লৈবা পাকিস্থানগী অনৌবা এম্বেসেদর খান অসি মতম অমদা য়ুএসতা থাবা ইস্লামাবাদকী পর্মেনেন্ট রিপ্রজেন্টেটিব ওইনা ন্যু য়োর্কতা লৈরম্মী। মহাক হৌখিবা চহীগী ওগষ্ট ফাওবা পাকিস্থান ওক্যুপাইদ কাশ্মিরগী প্রসিদেন্টসু ওইখি হায়না দোনগী রিপোর্ট অদুনা হায়রি। পাকিস্থানগী এম্বেসেদরনি হায়না কনফার্ম তৌরবা খানগা মুস্লিম গ্রুপশিং অমসুং য়ুএসতা লৈরিবা মুস্লিম ওর্গনাইজেসন কয়াগা লৈনবা মরীশিংগী মরমদা ইনভেষ্টিগেসন চত্থনবা য়ুএসকী লো মেক্কর অহুম অসিনা তকশিনখি।

হৌখিবা থাদা য়ুএসকী অতোপ্পা লো মেক্কর অমনা খানগী পোষ্টিং থিংজিন্নবা হোৎনখি। তৌইগুম্বসুং প্রসিদেন্ট জো বাইদেনগী এদমিনিষ্ট্রেসন্না প্রোটেষ্ট অদুবু রিজেক্ট তৌবগা লোয়নন্না মহাক্কী এপোইন্টমেন্ট কনফার্ম তৌখি।

# রসিয়ানা য়ুক্রেনগী খর্কিপতা লৈবা ন্যুক্লিয়র ফেসিলিটিদা বোম থাদখ্রে



কিভ, মার্চ ১১ (এজেন্সী):

রসিয়ন ফোর্সশিংনা য়ুক্রেনগী অনীশুবা খ্বাইদগী চাওবা সিটি খর্কিভতা লৈবা ন্যুক্লিয়র রিছর্স ফেসিলিটি অমদা বোম্বিং এটেক্ট চত্থখ্রে হায়না ইরাই নুমিত্তা য়ুক্রেনিয়ন ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

ফেসবুক পোষ্ট অমদা য়ুক্রেনগী ষ্টেট ন্যুক্লিয়র রিগুলেটরি ইন্সপেক্তরেটনা হায়খি, মদুদি খর্কিভ ইন্সটিট্যুট ওফ ফিজিক্স এন্দ টেক্নোলোজিদা শগোলশেল নুমিৎকী অহিংদা বোম্বিং তৌখিবা অসিনা সোর্স ওফ ন্যুটোন ন্যুক্লিয়র রিছর্স সবক্রিটিকেল য়ুনিটতা সোর্সতা পৱার সপ্লাই লেপহনখি।

ষ্টেট রিগুলেটর অসিগী মতুং ইন্না বোমগী এটেক্ট অদুনা মরম ওইদুনা য়ুনিট অদুদা পৱার সপ্লাইগী থবক পুম্লেপ লেপখ্রে অমসুং বিল্ডিং অদুগী মপান থংবা শরুকশিং অমাঙ অতা থোক্লে।

সাইট অদুদা মাঙ তাক্লিবশিং ওথোরিটিশিংনা য়েঙশিল্লি। রিগুলেটর অসিনা মখা তানা হায়, সোর্স ওফ ন্যুটোন অসি ন্যুক্লিয়র ফিজিক্স, রিদিএসন মেটরিয়েল সাইন্স, বাইওলোজি, কেমেষ্ট্রিগী লমশিংদা সাইন্টিফিক্ত অমসুং প্রক্টিকেল ষ্টদিশিং পাঙথোকপা য়ানবা মওংদা দিজাইন তৌবনি।

মসিগী মথক্তা সোর্স ওফ ন্যুটোননা মেদিকেল রেদিও আইসোটোপশিংসু পুথোকই। ফেব্রুৱারী ২৪ দা লান হৌখিবদগী রসিয়ানা য়ুক্রেনগী ন্যুক্লিয়র সাইটশিংদা টার্গেদ তৌদুনা লাক্লি।

লান্দাবা নুমিৎমক্তদা মালেমগী খ্বাইদগী শাথিবা ন্যুক্লিয়র এক্সিদেন্ট থোকখিবা চর্নোবিল ন্যুক্লিয়র পৱার প্লান্ট রসিয়ন ট্রুপশিংনা পায়শিনখি। শগোলশেল নুমিত্তা ইন্টরনেসনেল এটোমিক ইনর্জি এজেন্সিনা ফোঙদোকখিবা মতুং ইন্না য়ুক্রেনিয়ন ওথোরিটিশিংনা এজেন্সি অসিদা মখোয় প্লান অদুদা পৱার সপ্লাই লেপখিবনা মরম ওইদুনা চর্নোবিল রেদিও ৱেষ্ট ফেসিলিটিগা কম্যুনিকেসন পুম্নমক তৎখ্রে। মার্চ ৩ দা য়ুক্রেনগী খা নোংপোক থংবা শরুক্তা লৈবা ইন্টরনেসনেল এটোমিক ইনর্জিগী অতোপ্পা ফেসিলিটি অমা রসিয়ন ফোর্সশিংনা আর্টিলরি কাপশিন দুনা মাঙহন তাকহল্লবা মতুংদা পায়শিনখি।

# নোর্থ কোরিয়াগী লিদর কিম জোং-উননা সেটলাইট লোঞ্চ টেষ্ট সাইটতা চত্তুনা ফিভম য়েঙশিনখ্রে



সিওল, মার্চ ১১ (এজেন্সী):

নোর্থ কোরিয়াগী লুচিংবা কিম জোং-উননা নোংচুপ থংবা সমুদ্র মপানদা লৈবা লৈবাক অদুগী সেটলাইট টেষ্ট সাইট য়েংশিনখিবগা লোয়নন্না মদু মোর্দনাইজ তৌনবগী ৱাফম হৌদোকখ্রে হায়না ইরাই নুমিত্তা পিওং য়াংগী ষ্টেট মেদিয়ানা ফোঙদোরক্লি।

নোর্থকী ওফিসিএল কোরিয়ন সেন্ট্রেল ন্যুজ এজেন্সি (কেসিএনএ) না সোহে সেটলাইট লোঞ্চিং গ্রাউন্দদা চৎপা কিমগী খোঙচৎ অদুবু লাউথোকখি।

পিওংয়াংনা হন্দক্তা রিকোনিসান্স সেটলাইট দিভলপমেন্ট টেষ্টশিংনি হায়না পাঙথোকখিবদু অনৌবা ইন্টরনেসনেল বেলেষ্টিক মিসাইল (আইসিবিএম) সিষ্টেম অমগীনি হায়না সিওল অমসুং ৱাশিংতন্না পুন্না ফোঙদোকখিবগা ইরোয়নন্না নোর্থ কোরিয়াগী লুচিংবা অসিনা সেটলাইট টেষ্ট সাইটতা চত্তুনা য়েংশিনখিবনি।

নোর্থনা মশানা ন্যুক্লিয়র অমসুং আইসিবিএম টেষ্টশিং পাঙথোকপদা থম্লম্বা অথিঙবশিং লৌথোক্কনি হায়না হৌখিবা জনুৱারীদা কিহনখিবা মতুংদা সেটলাইট লোঞ্চকী মিংদা আইসিবিএম টেষ্টকুম্বা মখা তানা কায়হৌবগী থবকশিং পিওংয়াংনা পায়খৎলকপা য়াই হায়বগী নুংনাংনবা লৈরিঙৈদা কিমনা সাইট অদুদা চৎখিবনি।

কেসিএনএগী রিপোর্টনা হায়, মহাক্না সাইট অদুগী হৌজিক লৈরিবা গ্রাউন্দগী ফিভম কুপ্না য়েংশিনবগা লোয়নন্না তুংদা মিলিটরি রিকোনিসন্স সেটলাইট য়াওনা মল্টি-পর্পজ সেটলাইটশিং পুবা ঙমগদবা তোঙান তোঙানবা রোকেটশিং লোঞ্চ তৌবা য়ানবা মওংদা হেন্না চাওথোকহন্নবগী পান্দমগা লোয়নন্না মোর্দনাইজ তৌনবগী থবক য়াংশিন্নবা মহাক্না ওর্দর তৌখি।

লোঞ্চিং গ্রাউন্দদা ফেসিলিটি খরা শেমগৎনবসু মহাক্না মরী লৈনবশিংদা খঙহনখি। কেসিএনএগী মতুং ইন্না অচৌবা করিয়র রোকেটশিং লোঞ্চ তৌবা ঙম্নবা কিমনা জেনরেল এসেমব্লিগী ফেসিলিটিশিং অমসুং লোঞ্চিং গ্রাউন্দ জোন নৌনা শেমগৎ শাগৎনবগী থবকসু পায়খৎনবা খঙহনখি।

জেনরেল এসেমব্লিগী ফেসিলিটিশিং লিংনবগী থবকশিং অদুদা ফ্যুএল সপ্লাই অমসুং ইনজেক্সন অমদি লোঞ্চ কন্ট্রোল ফেসিলিটিগী পার্টশিং মোর্দনাইজ তৌবা য়াওরি।

নোর্থ কোরিয়ানা ফেব্রুৱারী ২৭ অমসুং মার্চ ৫ দা রিকোনিসন্স সেটলাইট দিভলপমেন্ট টেষ্টশিং পাঙথোকখিবদু মপুং ফাবা রেঞ্জকী আইসিদিএম লোঞ্চ অমা পাঙথোক্ত্রিঙৈগী মাঙওইননা অনৌবা আইসিদিএম সিষ্টেম অমা চাংয়েং তৌবগী পান্দমদনি হায়না সাউথ কোরিয়া অমসুং য়ুএসনা ফোঙদোকখ্রবনি।

সিওলগী দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা নোথ কোরিয়াদা রিজনেল টেন্সন হেনগৎহনগদবা থবকশিং খুদক্তা লেপ্পবা তকশিনবগা লোয়নন্না বালিষ্টিক মিসাইল টেষ্টশিং অকনবা মওংদা কন্দেম তৌখি অমসুং টেষ্টশিং অদু য়ুএন সেক্যুরিটি কাউন্সিলগী রিজোলুসন কয়াগী মায়োক্তনি হায়খি।

# য়েমেনদা হাওথিশিংনা সেল কাপ্পদা অঙাং ৬ শিরে



অদেন, মার্চ ১১ (এজেন্সী):

হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা য়েমেনগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা হাওথি মিলিসিয়ানা সেল এটেক্ট চত্থখিবদা য়ামদ্রবদা অঙাং তরুক শিখ্রে হায়না সেক্যুরিটি ওফিসিয়েল অমনা ফোঙদোরক্লি। মশক মমিং তাকথোক্লিংদবা লোকেল মিলিটরি সোর্স অদুনা হায়, তোঙান তোঙানবা থৌদোক অনীদা হাওথিশিংনা হৌখিবা পুং ২৪ গী মতমদা খা নোংচুপ থংবা প্রোভিন্স টাইজ অমসুং সানাগী কন্ত্রি সাইটতা সেল এটেক্ট চত্থখিবদা অঙাং তরুক শিখ্রে।

য়ুমশকৈশা নুমিত্তা য়েমেনগী গভর্নমেন্ট কম্মিটি অমা ওইরিবা নেসনেল কম্মিটি ফোর ইনভেষ্টিগেটিং এলেজিদ ভাইওলেসন ওফ হ্যুমেন রাইটসনা ফোঙদোকখিবদা হৌখিবা থা খরা অসিদা হাওথি মিলিসিয়ানা পাঙথোকখিবা সেল এটেক্টশিংদা পুন্না নুপী ৫৬ শিখ্রে হায়না লাউথোকখি। মখোয় মশাগী য়ুমশিংদা সেল কাপশিনবা অমদি বোম লংশিনবনা মরম ওইদুনা ইমুং ২৮০ ময়ুম মকৈ লৈহন্দ্রে হায়নসু কম্মিটিনা ফোঙদোকখি।

হ্যুমেন সেক্যুরিটি কাউন্সিলনা ফেব্রুৱারীগী অরোইবা শরুক্তা লৌখিবা রিজোলুসন অমনা য়েমেনগী হাওথি মিলিসিয়াগী মায়োক্তা খুৎলায়গী অথিংবা থমখি। খোঙথাং অদুবু মালেমনা শকখঙবা য়েমেনগী গভর্নমেন্ট অমসুং অতৈ অরব লৈবাকশিংনা তরাম্না ওকখি। হাওথি মিলিসিয়ানা হৌজিক য়েমেনগী কেপিটেল সনা অমসুং অৱাং থংবা প্রোভিন্স অয়াম্বা কন্ট্রোল তৌরি।

কুমজা ২০১৪ দা হাওথি মিলিসিয়ানা লৈবাক অদুগী অয়াম্বা শরুক্তা মিলিটরি কেম্পেইন চত্থবা হৌখিবগা লোয়নন্না কেপিটেল সনা য়াওনা অৱাং থংবা প্রোভিন্স পুম্নমক পায়শিনখিবদগী য়েমেনদা সিভিল ৱার অমা থোক্লকখি।

সাউদি অরাবিয়ানা লুচিংবা অরব মিলিটরি কোলিসন অমনা কুমজা ২০১৫ দা হাদি গভর্নমেন্ট শৌগৎলদুনা য়েমেনগী লান অদুদা য়াওশিনখি। হাওথিশিংনা হাদিবু নমদুনা মপানদা লোই চলহনখিবদগী কোলিসন্না লান অদুদা য়াওশিনখিবনি।

# য়ুএস সিনেটনা ট্রিলিয়ন দোল্লর ১.৫ কী ওমনিবস স্পেন্দিং বিল পাস তৌখ্রে

ৱাশিংতন, মার্চ ১১ (এজেন্সী):

সেপ্টেম্বর থা লোইবা ফাওবগী ফেদরেল গভর্নমেন্টগী থবক থৌরমশিংগী ফন্দিংগীদমক য়ুএস সিনেটনা ইরাই নুমিত্তা শেনবা চহী ২০২২ গী ওইনা দোল্লর ট্রিলিয়ন ১.৫ কী ওমনিবস স্পেন্দিং বিল অমা পাস তৌখ্রে।

বিল অদু পাস তৌখিবগা লোয়নন্না প্রসিদেন্ট জো বাইদেনগী সিগ্নেচর লৌনবগীদমক থাখ্রে। শগোলশেল নুমিৎকী নুমিদাং অথেংবদা সিনেটকী মেম্বর ৬৮ না ভোট পীদুনা বিল অদু পাস তৌখি।

মেম্বর ৩১ না বিল অদুগী মায়োক্তা ভোট পীখি। বিল অদুদা নন-দিফেন্স ফন্দিংগী দোল্লর বিলিয়ন ৭৩০ অমসুং দিফেন্স ফন্দিংগী দোল্লর বিলিয়ন ৭৮২ য়াওরি।

ইরাই নুমিত্তা টেম্পররি গভর্নমেন্ট ফন্দিং থৌরাং অমা মতম লোইদ্রিঙৈগী মাঙওইননা ভোট অদু পাঙথোকখিবনি। হাউস ওফ রিপ্রজেন্টেটিবনা য়ুমশকৈশ নুমিৎকী অথেংবদা এপ্রুভ তৌখিবা বিল অদুদা য়ুক্রেন ক্রাইসিসকা মরী লৈননা হ্যুমেনিটরিয়ান, সিক্যুরিটি অমসুং ইকনোমিক এসিষ্টেন্ট হেনগৎহন্নবা অহেনবা ফন্দিংগী ওইনা দোল্লর বিলিয়ন ১৩.৬ কী শেনফমসু য়াওরি।

# অন্টালয়া দিপ্লোমেসি ফোরমদা শরুক য়ানবা টালিবান দেলিগেসন টর্কি পাঙখ্রে



কাবুল, মার্চ ১১ (এজেন্সী):

অন্টালয়া দিপ্লোমেসি ফোরমদা শরুক য়ানবগীদমক্তা এক্তিং ফোরেন মিনিষ্টর অমির খান মুতাকিনা লুচিংবা টালিবান দেলিগেসন অমা টর্কিগীদমক কাবুল থাদোকখ্রে হায়না ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা লাউথোকখ্রে। ফোরম অদু ইরাইদগীনা নোংমাইজিং ফাওবা চত্থগদৌরিবনি।

মিনিষ্ট্রি অসিনা হায়, ফোরম অদু মরু ওইনা য়ুক্রেন ক্রাইসিসতা মীৎয়েং থমগদবা ওইরবসু অফঘানিষ্টানগী হৌজিক লৈরিবা ফিভমগী মতাংদসু খন্ন-নৈনগনি।

টালিবান গভর্নমেন্টগী দিপ্যুটি স্পোক্সমেন দিয়া অহমদ টাকলনা শগোলশেল নুমিত্তা ফোঙদোকখিবা ৱারোল পল্লদুনা টোলো ন্যুজনা হায়, অফঘানিষ্টানগী মরমদা মালেমগী লৈবাকশিংগা ৱারী শান্নগনি অমসুং মীফম অদুগী নাকোয়নন্না এক্তিং ফোরেন মিনিষ্টরনা অফঘানিষ্টানগী হৌজিক ওইরিবা ফিভমগী মতাংদা অতৈ লৈবাকশিংগী মীহুৎশিংগা ৱারী শান্নগনি।

মুতাকিনা লুচিংবা দেলিগেসন অদু লৈবাক ২০০ হেনবগী দিপ্লোমেটশিং অমসুং রিপ্রজেন্টেটিবশিংনা শরুক য়াগদৌরিবা ফোরম অদুদা য়াওহন্নবগীদমক্তা টর্কিস ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা ইনভাইট তৌখিবনি।

অফঘানিষ্টানগী হৌজিক ওইরিবা ফিভম অদু য়েংলগা মীফম অসিদা অফঘান দেলিগেসন অদুনা শরুক য়াগদৌরিবা অদু কান্নগনি হায়না টালিবানগী অতোপ্পা দিপ্যুটি স্পোক্সমেন বিলাল করিমিনা ক্লেম তৌখি।

মুতাকিনা হৌজিক ফাওবদা টর্কি, ইরান, রসিয়া, পাকিস্থান অমসুং নোর্ৱেদা পাঙথোকপা মীটিংশিংদা শরুক য়াখ্রে।

মহাক্না অফঘানিষ্টানগী টালিবান গভর্নমেন্টবু শকখঙনবা মালেমদা আপিল তৌখি।

মহাক মতুং তাবদা বৈজিংদা পাঙথোক্কদবা রিজনেল ফোরেন মিনিষ্টরশিংগী অহুমশুবা রাউন্দগী মীফমদসু শরুক য়াগদৌরিবনি।

# এটেক্ট চত্থরক্ত্রিঙৈগী মাঙওইননা গুগলনা য়ুক্রেনগী এন্দ্রোইদ য়ুজরশিংদা এয়র রেদ এলার্টশিং থারগনি




কিভ, মার্চ ১১ (এজেন্সী):

গুগলনা য়ুক্রেনগী এন্দ্রোইদ য়ুজরশিংদা এয়র রেদ এলার্টশিং থানন্নবগীদমক থবক পায়খৎপা হৌখ্রে।

এলার্টশিং অদু য়ুজরশিং অদুগী মনাক্তা এটেক্ট চত্থরক্ত্রিঙৈগী মাঙওইননা মখোয়গী ফোনশিংদা হকথেংননা থাগদৌরিবনি। য়ুক্রেন গভর্নমেন্টনা হায়জরকপদগী অমসুং গভর্নমেন্ট অসিগী মতেংগা লোয়নন্না গুগলনা য়ুক্রেনগী এন্দ্রোইদ ফোনশিংগীদমক্তা রেপিদ এয়র রেদ এলার্ট সিষ্টেম অমা চৎনহনবা হৌরগনি।

গুগলগী গ্লোবেল এফিয়ার্সকী প্রসিদেন্ট কেনৱাল্করনা ফোঙদোকখিবদা থবক অসি লৈবাক অদুগী হৌজিক লৈরিবা এয়র রেদ এলার্ট সিষ্টেমশিংগী মতেং পাঙনবা পায়খৎকদৌরিবনি অমসুং মসি য়ুক্রেনিয়ন গভর্নমেন্টনা হৌজিক দেলিভর তৌরিবা এলার্টশিংদা য়ুম্ফম ওইগনি।

এন্দ্রোইদ নোটিফিকেসনশিং য়ুক্রেনিয়ন গভর্নমেন্টনা থাবা এলার্টশিংদা বেজ তৌগনি। শগোলশেল নুমিৎকী অথেংবদা ৱাল্করনা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খি, য়ুক্রেনগী মীওই মিলিয়ন কয়ানা হৌজিক খুদোংথীবা নঙলোইদবা মফমদা চঙশিন্নবা হোৎনবদা এয়র ষ্ট্রাইক এলার্টশিংগী মপান তাংলি।

গুগলনা হায়রি, মদুদি লাননা মরম ওইদুনা লমদম অদুদা লেপ্পুনা মশিং হেনগৎলক্লিবা রিফ্যুজিশিংবু মতেং পাংননবা হৌজিক রিফ্যুজিশিংদা সার্ভিস শোয়দনা ফঙহন্নবগী পার্ম্বেশিং দিভলপ তৌই। ঙসিদগী হৌরগা য়ুক্রেনগা য়ুমথংননা লৈরিবা লৈবাকশিংগী হোটেল মপুশিংনা মখোয়গী বিজিনেস প্রোফাইলদা রিফ্যুজিশিংদা মখোয়না ফ্রি নত্ত্রগা দিস্কাউন্টতা একোমোদেসন পীরি নত্ত্রগা পীদে হায়বদু খঙহনগদবনি হায়না কম্পেনি অসিনা ষ্টেটমেন্ট অদুদা পনখি।

মখা তাবা ষ্টেটমেন্ট অদুনা হায়, লোকেল বিজিনেসশিংনা মখোয়গী বিজিনেস প্রোফাইলদা তোঙান তোঙানবা সার্ভিসশিং ওফর তৌদুনা য়ুক্রেনগী রিফ্যুজিশিংবু মতেং পাঙগদবনি। লাক্লিবা চয়োল খরা অসিদা ঐখোয়না ইনফোর্মেসন অসি কম্পাইল তৌবগা লোয়নন্না ঐখোয়না মীওইশিং অসিবু ছর্স অমসুং মেপশিংদা মফমশিং থুনা থীবা ঙমহল্লগনি হায়না গুগলনা মখা তাখি।

# ইস্মর্জেন্সি মীফম পাঙথোক্লগনি

ন্যু য়োর্ক, মার্চ ১১ (এজেন্সী):

রসিয়ন গভর্নমেন্টনা হায়জবদগী ইরাই নুমিত্তা য়ুএন সেক্যুরিটি কাউন্সিল (য়ুএনএসসি) গী ইস্মর্জেন্সি মীফম অমা পাঙথোক্লগনি।

য়ুক্রেনগী লেবোরেটরিশিংদা পায়খৎলিবা বাইওলোজিকেলগী খুৎলায়শিং শাবগী থবকশিং য়ুএসনা ফন্দিং তৌই হায়না মোস্কোনা ক্লেম তৌখিবা মতুংদা ইস্মর্জেন্সি মীফম অসি পাঙথোক্কদৌরিবনি।

য়ুক্রেনগী টেরিটরিদা য়ুএসনা মিলিটরি বাইওলোজিকেল এক্তিবিটিশিং চত্থবগী মতাংদা ইস্মর্জেন্সি মীফম অমা কৌবীনবা য়ুএনদা লৈবা রসিয়াগী দিপ্যুটি এম্বেসেদর দিমিট্রি পোলেন্সকিনা ৱার্ল্ড বোদি অসিদা হায়জখিবনি।

বাইওলোজিকেল খুৎলায়শিংগী মচাক মথুমশিং য়ুএস দিপার্টমেন্ট ওফ দিফেন্সনা ফন্দিং তৌবা য়ুক্রেনিয়ন লেবোরেটরিশিংদা শাখিবনি হায়বা উৎপা দোক্যুমেন্ট কয়া হন্দক্তা ফঙখি হায়না রসিয়ানা ক্লেম তৌখিবনি।

খ্বাইদগী নৌনা শগোলশেল নুমিত্তা রসিয়ন দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখিবদা য়ুএসনা য়ুক্রেনবু বাইওলোজিকেল খুৎলায়শিং শাবদা অমসুং রসিয়াদা মাইগ্রেসন তৌবা ভাইরস য়াওবা উচেকশিং শীজিন্নবদা মতেং পাঙলি।

অদুম ওইনমক ক্লেম অদু সপোর্ট তৌবা ইভিদেন্স অমত্তা মিনিষ্ট্রি অসিনা পীখিদে হায়রি।


SMART TUTORIAL CENTRE
Singjamei Super Market
ADMISSION OPEN
40 days 60% Revision Course for Class XII Sc. COHSEM
COMMENCES ON 2nd March 2022
NDA ,NEET & JEE (Aspirant)
COMMENCES ON 10th MARCH & 13th April 2022
FOUNDATION COURSE 2022
FOR CLASS IX, X ,XI & XII (BOSEM , COHSEM & CBSE)
(SCIENCE,ARTS,COMMERCE)
COMMENCES ON 10th MARCH, 13th April 18th May 2022 (Sub. All)
1. Speacial fee concession for former students. 2. Regular mock test with analysis. 3. Separate hostel for boys & girls. 4. Well structured study materials. 5. Available Van Service.
CLASS TIMING (Morning & Evening) # 8730999192 / 03857966211
Run by well trained board , council ,KVS & CBSE of experience teachers
HL-P/1789/28/3-29/4



DEPARTMENT OF ANIMAL SCIENCES,
COLLEGE OF AGRICULTURE
CENTRAL AGRICULTURAL UNIVERSITY, IMPHAL

No.AS/CAU/NEC/Mithun/2020 Imphal, the 11th March, 2022

WALK-IN- INTERVIEW

A Walk-in-interview for selection of a suitable candidate for the following time bound contractual post of "Young Professional-I", under the N.E.C, Ministry of DONER, Government of India Project entitled "Conservation of Mithun in Arunachal Pradesh, Nagaland and Manipur" will be conducted on 16th March, 2022 at the Directorate of Research, Central Agricultural University, Imphal near Kendriya Vidyalaya, No.1, Lamphelphat, Imphal. Eligible and desirous candidate fulfilling the requirements may appear for personal interview by producing their testimonial (in original) at 11:30 A.M.

| Sl.No. | Name of the contractual post | No. of post | Emoluments | Qualification |
|---|---|---|---|---|
| 1. | Young Professional - I | 1 (one) | Rs. 25,000/- p.m (fixed) | 1. Essential:_ B.V.Sc & A.H<br>2. Desirable: MVSC |

Terms and conditions:

1. The maximum age limit is 45 years as on 16/03/22(relaxation in age as per Govt. Rules)
2. The above-mentioned post is purely on contract basis.
3. The applicant must produce his/her original documents during interview.
4. Registration of candidates will be opened from 10:00 a.m to 11:30 a.m. only on 16/03/2022 and candidate must submit an application addressed to the Director of Research, CAU, Imphal enclosing one set of photo copy of certificate (s), passport size photograph and copy of publication, if any.
5. No objection certificate from the employer, in case the applicant is in employment elsewhere.
6. Experience certificates in original, if any.
7. No TA/DA etc. Will be paid for attending the interview.
8. The incumbent shall not have any claim for regular appointment in CAU.
9. The terms of appointment will be co-terminus with the period of the project or earlier based on the performance of the candidate.

Sd/- Dr.Th. Ranadhir Singh
Head & Principal Investigator

HL-B/7528/12